# থাঙজম বিরচন্দ্র– মাইপাকপী নীংশিং ২৪ শুবা ৱিন্নরস কপদা এফ সি লমজাও ককচিং সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (এস এন এস)ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েননা শীল্লগা বাবিনা হেল্থ কিয়র এন্দ হোসপিটালিটি প্রাইভেদ লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌরগা থা অসিগী ১৮ দগী টিম ৯ না শরুক য়াদুনা হোম এন্দ এৱে বেসিসতা চথরিবা থাঙজম বিরচন্দ্র– মাইপাকপী নীংশিং ২৪ শুবা ৱিন্নরস কপ ফোর মেন ২০১৯ দা এফ সি লমজাও ককচিং সেমি ফাইনেল চঙখ্রে অদুগা জে এস ৱাই সি সাদর হিলসসু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী মফম ২ দা শান্নখিবা মেটচশিংদা এফ সি লমজাও ককচিংনা দি এস এ চান্দেলবু গোল ৩–০ দা অদুগা জে এস ৱাই সি সাদর হিলসনা শ্যামরোপিয়া এফ সি চুড়চান্দপুরবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচশিং অসি টিমশিং অসিগী অনীশুবা লেগ ওইবনা এফ সি লমজাও ককচিংনা এল ৱাই সি সি চান্দেলবু এগ্রিগেটতা গোল ৬–৩( ফার্ষ্ট লেগতা ৩–৩) দা অমসুং জে এস ৱাই সি সাদর হিলসনা শ্যামরোপিয়া এফ সি চুড়চান্দপুরবু এগ্রিগেটতা গোল ৩–২(ফার্ষ্ট লেগতা ০–২) দা মায়থিবা পীখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি এফ সি লমজাও ককচিংগী গ্রাউন্দা শান্নখিবদা য়ুম্বু এফ সি লমজাওনা ভিজিটর এল ৱাই সি সি চান্দেলবু লাকশিন্না শান্নদুনা য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবা লৌদুনা লমজাওনা মেটচকী গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্নরক্তুনা এল ৱাই সি সি চানে দলগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা প্রেসর পীশিনখি।

প্রেসরশিং অদুগী মহৈ ফঙদুনা মেটচকী মিনট ২৬ চৎপদা এফ সি লমজাও ককচিংনা ফঙখিবা পেনাল্টি অদু টিমগী জর্সি নম্বর ১০ ই জয়কিসনন‌া গোলদা ওন্থোক্তুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা নাকল অনীনা অহানবা হাল্ফতা লৈখিবা অশোয়বশিং অদু নীংথিনা মেন্সিলক্তুনা লম্বা চানা শান্নরক্তুনা অয়েংবশিংগী পূক্নিং চিংশিনখি।

মেটচকী অপীবা মিনট লোয়রমদাইশিংদা য়ুম্বু এফ সি লমজাওনা খোঙজেল য়াঙনা শান্নরকখিবনা মেটচকী মিনট ৮৭ চৎপদা জর্সি নম্বর ৭ টি ঐচ য়াইফবা অমসুং জর্সি নম্বর ৯ এল কিসননা মেটচকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ৩ দা টিমগী অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা সেমি ফাইনেল তম্না পুশিনখি।

মেটচ অসিদা এফ সি লমজাওগী জর্সি নম্বর ৯ এল কিসন, জর্সি নম্বর ১৭ দব্লিউ বিবিনচন্দ্র, জর্সি নম্বর ১৬ টি ঐচ নিলাকান্ত অমদি এল ৱাই সি সি চান্দেলগী জর্সি নম্বর ৪ সি ঐচ মোঙমফাদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এ কে তুনেশ্বর, এল সনাতোম্বা, পি দেবানন্দ অমদি পি ঐচ জোতিননা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা মেটচ ওইনা থোমাস গ্রাউন্দ কাঙপোকপীদা জে এস ৱাই সি সাদর হিলস অমদি শ্যামরোপিয়া চুড়চান্দপুরগা শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনট ৯ দা য়ুম্বু জে এস ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ১৬ পাওগৌথাংনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

টিম অনী অসিগী অহানবা লেগতা শ্যামরোপিয়ানা জে এস ৱাই সিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখিবনা ঙসিগী য়ুম্বু ওইরিবা জে এস ৱাই সিনা টুর্নামেন্ট অসিগী মথংগী রাউন্দ চঙগে হায়রবদি মেটচ অসি মায় পাক্তবা য়াদবা মরমনা অনীশুবা হাল্ফতা য়ুম্বুনা খুদোংচাবা হেন্না লৌদুনা শান্নবা হৌরকখি।

মেযচকী মিনট ৭০ চৎপদা য়ুম্বু জে এস ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ১২ সেমিনহাও ভাইফেনা অনীশুবা গোল চনখ্রবা মতুং মিনট ৮১ চৎপদা পাওগৌথাংনা মহাক্কীনা অনীশুবা অমদি টিমগীনা অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম থোনখি।

মেটচ অসিদা জে এস ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ২৩ এস কিপজেন, জর্সি নম্বর ১৯ লুনমিনথাং, জর্সি নম্বর ১৭ হাওমিনলেন অদুগা শ্যামরোপিয়াগী জর্সি নম্বর ৮ পিটর, জর্সি নম্বর ৪ পাওজিনমোৱান অমদি জর্সি নম্বর ২ জামখোলেনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি পি ঐচ লনথোইবা, এন অরুনকুমার, এস ওনিল অমদি এস তোম্বীনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# এস ঐচ মনি শর্ম্মা নীংশিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগতা কে এস ৱাই সি অমদি এস ৱাই এস সি দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (এস এন এস)ঃ
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনন‌া শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী টিম ১১ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা কে ৱাই সি (এন) গ্রাউন্দ খুরখূলদা চথরিবা অহুমশুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা নীংশিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কে এস ৱাই সি হিয়াংথাং অমদি এস ৱাই এস সি সঙাইথেল দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ই এস এ ময়াং ইম্ফাল মায় পাকখ্রে।



লীগ অসিগী ১৮ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা কে এস ৱাই সি হিয়াংথাং অমদি এস ৱাই এস সি সঙাইথেলনা শান্নখিবা মেটচ গোল ১–১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

মেটচ অসিগী অঙনবা মিনটতা কে এস ৱাই সি হিয়াংথাংনা চথরকপা এটেক অমা থিংন্নবা হোৎনবদা এস ৱাই এস সি সঙাইথেলগী জর্সি নম্বর ১৪ এম অবিনাসনা শোইবদগী মিনট ১১ চৎপদা অউল গোল অমা চনবীদুনা কে এস ৱাই সিনা গোল মাঙজিল থাহনখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী লেমহৌরিবা মিনটশিং দা এস ৱাই এস সি সঙাইথেলনা তাঞ্জা কয়া ফঙখ্রবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এস ৱাই এস সি সঙাইথেলনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্নরক্তুনা কে এস ৱাই সিবু লাকশিন্না শান্নখিবনা হাল্ফ অসিগী অঙনবা মিনট ৫১ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ৬ বোলিসনা গোল হন্দোক্তুনা ১–১ দা মান্না লৈন্নখি।

মেটচকী অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা নাকল অনীমক্কা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্মখিদবনা মেটচ অসি দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

মেটচ অসিদা কে এস ৱাই সি হিয়াংথাংগী জর্সি নম্বর ১৫ জয়জিৎতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি ঐচ কিরনজিৎ, এ দিলিপ, এ শাফবা অমদি এল গোকুলালনন্দনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগকী ১৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা ই এস এ ময়াং ইম্ফাল অমদি সন ক্লব মোঙশাঙ্গৈনা শান্নখিবা মেটচতা ই এস এনা সন ক্লববু গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী মিনট ১২ চৎপদা ই এস এ ময়াং ইম্ফালগী জর্সি নম্বর ১১ রাজেসনা মেটচকী অহানবা গোল চনখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ১ দা টিমগী জর্সি নম্বর ১৮ শ্যামসননা অনীশুবা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ই এস এ ময়াং ইম্ফালনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্নরক্তুনা শান্নরকখিবনা মেটচকী মিনট ৪১ চৎপদা জর্সি নম্বর ৭ হেমোচন্দ্রনা অহুমশুবা গোল চনখি। মসিগী মতুং তারকপদা অতেনবা মিনট ৪৪ অমসুং ৪৭ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৮ শ্যামসন অমদি জর্সি নম্বর ২০ এম রোসননা টিমগী মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা গোল অদু চনখ্রবা মতুংগী মিনট ৫৯ চৎপদা জর্সি নম্বর ৭ হেমোচন্দ্রনা ময়াং ইম্ফালগী ৬ শুবা গোল অদু চন্দুনা মেটচ অসি ৬–০ দা মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা সন ক্লব মোঙশাঙ্গৈগী জর্সি নম্বর ২৫ রাজেস কুমারদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এল গোকুলালনন্দ, এ শাফবা, এ দিলিপ অমদি টি ঐচ কিরনজিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং জুবেনাইল তেরা অমসুং ৱাই এ সি য়ুরেম্বমনা নুংথিল পুং ১২.৩০ দা অদুগা য়ু এস সি ফায়েং অমদি এম এস ঐচ উরিপোকপা পুং ২ তাবদা শান্নগনি।

# এম য়ু শোফট বোল ত্রাইয়েলদা য়াওগদবশিংগী মিং লাওথোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী শোফট বোল টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েলদা শরুক য়ান্নবা শান্নরোই নুপা ২৭ অমসুং নুপী ২০ মিং লাওথোক্লে। ত্রাইয়েল অসি থা অসিগী ২৯ গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী শোফট বোল গ্রাউন্দা পাঙথোক্কনি।

ত্রাইয়েলদা খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি– ইনিয়ান, দিনেল, কাপিল, অবিট, সন্তোস, টেনিসন, নিটানজিৎ, কেনজিৎ, মারজাননি। এম য়ুগী রোসন, সুভাসচন্দ্র, বঙ্কিমচন্দ্র, টিকেন, প্রিয়োজিৎ, ৱাঙলেন, য়াইফবা, সনাথোই, এরিস, সুরজ, সুনন্দা, বিনোট, পাওচা, রোমারিয়ো, টেকসন, বিদাস, মনিমতুম অমদি মহেনজিৎনি।

নুপীগীদনা বেন্দি, রঞ্জানা, থোইনু, জিতারানি, মেলোদি, সুস্মীতা, সৈলাজা, বুশুরিয়া, রিনাশ্রী, টি ঐচ পক্রিটি, জিরিনি, কাকখুন গুইলুই, এস মরনলৈবী, ৱিহাস, কে এস ঐচ রাজেশ্বরি, দব্লিউ চাউবা, লনচেনবা, রবিয়া, অঞ্জলি অমদি অতুনানি।

ইন্টর কোলেজ শোফট বোল টুর্নামেন্টদা শরুক য়াহৌদবা কোলেজশিংনা ত্রাইয়েল অসিগীদমক শান্নরোই ৩। ৩ থারকপা য়াগনি হায়রি।

# গোপাল দেব অমদি থাংমৈবন্দ ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েংমখাদা গোপাল দেব কাঙখূৎ য়াইস্কুলনা শীন্দুনা টিম ৭ না শরুক য়াদুনা গোপাল দেব কাঙশঙদা চথরিবা ৫ শুবা শ্রী শ্রী গোপাল দেব চহী ৬০ মথক্কী সুপর লীগ কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ফাইনেলদা গোপাল দেব কাঙখূৎ য়াইস্কুল অমদি থাংমৈবন্দ কাঙখূৎনা শান্নরগনি।



ঙসি য়াইস্কুল কাঙখূৎ অমদি থাংমৈবন্দ কাঙখূৎনা শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা থাংমৈবন্দ কাঙখূৎনা য়াইস্কুল কাঙখূৎবু পাঞ্জল ২১–১৯ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা থাংমৈবন্দ কাঙখূৎকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১২ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৯ স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা য়াইস্কুল কাঙখূৎগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১২ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৭ স্কোর তৌখি।

মায় পাক্লবা থাংমৈবন্দ কাঙখূৎগী কাঙলোয়শিং অদুদি – এস দ্রোরেন্দ্রো, ঐচ কুমার, টি ঐচ ব্রজামনি, ঐচ লালা, টি ঐচ জোতি সিংহ, এস বিরেন সিংহ, সি ঐচ থোইবা, টি ঐচ জয়েন্ত অমদি এন নবাধিপনি।

মায়থিরবা য়াইস্কুল কাঙখূৎগী কাঙলোয়শিং অদুদি– ও বাবু, ও রঞ্জিৎ, টি ঐচ মনি, এম তোম্বা, এম বিজয়, এস সোমোরজিৎ, টি ঐচ লুখোই, ও ইতোমচা অমদি সনাজাউবানি

# ঙসিদগী ১৩ শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেস্নেল হৌরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (এস এন এস)ঃ
মরিপুর হোরস রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনন‌া শীন্দুনা হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ২৯ ফাওবা ১৩ শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেস্নেল ২০১৯ ইম্ফালগী মপাল কাঙজৈবুংদা শান্নবা হৌরগনি।

মণিপুর পোলো ইন্টরনেস্নেল অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, হেলঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়রগী মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমার, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী দিপুটি স্পিকর কোঙখাম রোবিন্দ্রো অমদি টুরিজম কো–ওপরেসন মরিপুর লিমিটেদকী চিয়রমেন ডা. শাপম রঞ্জননা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াগনি।

অমারোমদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ইন্টরনেস্নেল পোলো অসিদা ইন্দিয়া–বিগী টিমদা য়াওগদবা শান্নরোইশিংগী মিং লাওথোক্লে। মখোয়শিং অদুদি– এম পি এস সি (বি)গী টি প্রদিপকুমার, ঐচ অবুং খুমন, এক্স পোলো ক্লবকী পি ওজিৎ, টি ঐচ জেকোপ, এল জোগেন্দ্র অমদি চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব (এ)গী লৈশেম্বা তখেলম্বমনি।

টিম অসি টি দেবকিশ্বরনা কোচ অমসুং কে ধিরেননা মেনেজর ওইনা লুচিঙগনি।

# জিম্নাষ্টিক ত্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি




ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (এস এন এস)ঃ
রাজাষ্টানগী জোটপুরদা চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ২৫ দগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৮ শুবা সব–জুনিয়র আরষ্টিটিক জিম্নাষ্টিক নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ান্নবগী ষ্টেটকী টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল থা অসিগী ৩০ দা খুমন লম্পাক ইনেদার ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

নুপামচাগীনা চহী ১০ মখা, ১২ মখা, ১৪ মখাগী অদুগা নুপীমচাগীনা চহী ১০ মখা অমসুং ১২ মখাদা লৈবা শান্নরোইশিংনা শরুক য়াগনি। শান্নরোইশিংনা ত্রাইয়েল লাকপা মতমদা আধার কার্দ অমসুং ক্লবশিংগী রিজিষ্ট্রেসন পুরক্কদবনি রেজিষ্টেসন পীশিনলকপগী মতমনা থা অসিগী ২৮ দনি।

# ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল হৌরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (এস এন এস)ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনন‌া শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা ৩১ শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ৯ নিংথৌকাবা নুমিৎতগী খুমন লম্পাকতা লৈবা অর্তিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা শন্নবা হৌরগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী এষ্টিটেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী এল নবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ত্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (এস এন এস)ঃ
চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ২৩ দগী ২৬ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩০ শুবা সেনিয়র নেস্নেল ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ান্নবগীদমক ষ্টেটকী টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ২৪ নোংমাইজিং নুমিৎতা ইম্ফালগী সাই এস এ জি সেন্টরদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসনগী ইলিজিবল ওইরবা ফেন্সরশিংনা থা অসিগী ২৪ গী অয়ুক পুং ৬.৩০ তাবদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি। ত্রাইয়েল সেলেক্সনা নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৭ দগী পাঙথোকপা হৌগনি হায়না মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ই এল এস এনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (এস এন এস)ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন মোইরাংনা শীন্দুনা মমাঙ থা ১৮ দগী টিম ১১ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা মোইরাং মল্টিপ্রপস হয়ার সেকেন্দরী গ্রাউন্দা চথরকপা অহানবা এল কেরানি নীংশিং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ৱিন্নর ই এল এস এ নরানশেনানা ওইখ্রে।

লীগ অসিগী অরোয়বা মেটচ ওইনা ঙসি অমোফা একাদেমি অমদি ই এল এস এ নরাশেনানা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ই এল এস এনা অমোফা একাদেমিবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা নাকল অনীনা লম্বা মান্নখিবনা হাল্ফ অসি লোয়বা ফাওবদি গোল একাউন্ট হাঙবা ঙম্মদনা লৈন্নখি।

অদুবু অনীশুবা হাল্ফতা ই এল এস এ নরাশেনানা লাকশিন্না শান্নখিবনা মেটচকী মিনট ৫৫ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ১৯ এম চিঙলেম্বনা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চন্দুনা নরাশেনাবু লীগ অসিগী ৱিন্নর ওইখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসি ৱাই লুঙশু, দব্লিউ ইবোয়াই, এম দি অমিরখান অমদি এল ননাওনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।






Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com